ৰারীমচা

ওন্থোকপনিদা করিবু কান্নরিবা

ঙাংবম কুমুদিনী

ৰারী অসি ইনে চাউবীতোনগী চা হোটেলদা চা থকপা লেঙলকপা কনাগুম্বা অমনা ফাগী ওই, অচুম্বা ওই লীরম্বনি।

ইনে, চাউবীতোনগী চা হোটেল অসি পীক্তক তৌজরবসু অদুমক মী চিল্লি হায়বা য়াই। থংনবদা ফল্লিবা ইন্দোন কেতুকীগী হোটেলদুদদি অঙাং খরা নত্তনা থোইদোক্লা চা থকপা ইউ উরুদে। খঙদে, মমিংসু কেতুকী কৌই অদুগা মহাক্লা ঙাংথোরকপা ৰাহে–ৰাতাসু কোচি ইথাং থাংবগুম তাবদা ইনুং নুংঙাইতে। আ! মী অতৈদি খঙদেকো, মসি ঐগী পূক্লীংগী ৰানি।

নোংমদি অয়ূক্কী চা থকপা মীসু ফনা য়াম্না তিল্লি। খঙহৌদনা ইনে চাউবীতোনগা ইন্দোন কেতুকীগা মখোয় অনী তপ্পা তপ্পা, করি করিনো অসুম ঙাংনরম্বদগী খোল ৰাংখৎনরকই, অদুদগীদি অদুম খূৎ থানরকই, মশম–মনা ফোয়নরকই, মীয়াম চঙদুনা খামদোকপা ঙমখিদে। ইস! অকিবগী মশকনি নুপী খৎনবগী শক্তম অসিদি। শারবা কালেন থাগী মতমদা অকংবা চরু মৈনা মৈরী থোক্লা মৈচাক ফনা ৰাংখৎ ৰাংখৎতুনা নুংশিৎ মাইরম য়েংদুনা চাকপগুম্বনি।

পূং খরগী মতূংদা তপ্পা তপ্পা খৎনবা তোকখ্রে, মখোয় অনী হান্নগুম অমুক চা থকপা লাকইবা মীওইশিং অদুগী চা পীরদুনা মা–মাগী পেন্দবদু ফোঙদোক্লরি। অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাংনরি।

ঐনা চা গ্লাস অদু তপ্পা পায়রদুনা ইনে চাউবীতোনগী অশাওবদু ফাথরদুনা হায়রুই– ইনে, শাউরুরনু তোক–ও, মীয়ামসে নুংঙাইত্রে, শাউবগী মহুত্তা করি ৰাহৌদগী খৎনরিবনো হায়বদুগী মরমদা ৰারী লীয়ুদনা।

ঐগী ৰাহংদুদা ইনে চাউবীতোন করি খল্লুরবনো খঙদে তুমিন্না ঙাইহাক লৈরুরগা মাগী ৰারী হৌরকই, মখোয় অনী হায়বদি ইনে চাউবীতোন, ইন্দোন কেতুকী খুঙ্গং অমত্তগী নিঙোলনি, লৈকাইদি তোঙান তোঙাল্লি। ইনে চাউবীতোননা মমাঙ লৈকাইনি, ইন্দোল কেতুকীনা মনিং লৈকাইনি। চহীদা ইন্দোল কেতুকীনা খরা য়াম্না হল্লি। লৈশারীঙৈদা ইন্দোন কেতুকীনা ইনে চাউবীতোনবু মাগী মনাওনুপাদা লৈনবা য়াম্না কন্না হোৎনবদু ইনে চাউবীতোননা শুকয়া য়াখিদে, ইন্দোন কেতুকী মায়থীবা নংখি, মদুদগী মহাক্লা ঙসি ফাওবা ৰারৌরিবনি।

অদুবু ৰাফম অসি ইনে চাউবীতোনদি থোইদোক্লা নীংশিংলুদ্রে, মরমদি মহাক্তি মহাক্লা নুংশিনজবা মাম্মা চাউদুনা লুহোং–খোঙদোংদুনা মচা মমৌ লৈরবনি, মাগী চা–হোটেল অসিদি অদুম মতম মাঙহনবা পাম্মুবগী ফল্লিবনি, খরা–খজিকসু কান্নজে হায়দুনা। মসিদা ইন্দোন কেতুকীনা পংকৎতা কল্লকই, অদুনা ইতৎ তত্তনা খৎনবা হৌই।

ইনেগী ৰারী অসি তারিবা কনাগুম্বা মহাক অদুনা অসুম্না হায়রকই, নুংঙাইতেদা ইনে, ইনেগী ৰারীসি তাবদা অদুবু ইনে হৌখিবা থৌদোকপু অদুম নীংশিংদুনা ৰারৌ–পুক্লৌনবসু ফত্তেদা। ঐখোয়সে নোংমদি শোয়দনা চৎখিগদবা ঙাক্তনি, অদুনা হিংলিঙৈ মতম অসিদদি হৌখ্রবশিংদু কাউথোক্লদুনা নুংশি–চান্নবা লৈমিন্নবসু মীওইবগী অৰাংবা লীংচৎনী নৎত্রনে? অদুবু মসি অরায়বদি নত্তে, ঐগী লৈকাইদসু ঙরাং–নহাল থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোক্তু চহী লিশাংশিৎনা ইমুং মনুং নুংঙাইনদবগী ৰাথোক্লি।

ঐনা খল্লি, চহী লিশাংশিৎনা নুংঙাইনদবগী ৰাহৌ, করি ৰারীবু ওইরিগবা? থংনবা মীকুপ্তা ইনে, চাউবীতোন্না কনাগুম্বা মহাক অদুদা চা গ্লাস অমা পীরদুনা হায়রকই করি থৌদোকনোনে ইবুংঙো নখোয় লৈকাইগী ৰাথোক হায়ববু?

– আ! সুমদৌবনি ইনে... নহালদু তা–পিশক্কী মচানুপা অমখক য়াওজবা নোংয়াইদু পুলিসনা ফারগা পুখ্রে অদুনা নীনি চনবা নুমিত্তা শেল ওইনা লাক্ষ মঙা অমসুং লৌ নৎত্রগা ইথোলগী পাট্টা পুরকউ অমদি লৈঙাক লোয়শঙগী থবক তৌবা মী অমসু পুরকউ থাদোকপীগে অসিনি। পাউ অসি তাবদা তা পিশকতি অদুম মকোক পায়দুনা ফমখিবদগী হৌগৎপা ঙমদ্রে। ইনে তবোপপী কপ্পা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈতে। মঙানি চনবদা ৰায়েল শঙদা পুথোকই, ৰায়েল শঙগী ৰায়েল মপুনা নোংয়াইদো পুন্সি চুপ্পগী ওইনা থবক শূবগী চৈরাক পীদুনা কৈশুমশঙদা থমখ্রে। তা পিশকতি নুপানিনা খরা ফৈ, মচাগীদমক ৰারসু খাঙবা ঙম্মী। ইনে তবোপপীদি য়েংবা ঙমদ্রে, মহাক য়াম্না ৰারে কপ্পুনতা লৈরে।

– কৈদৌরুবগী মহাক কৈশুমশঙদা লৈরিবনো? ঐনা তপ্পা হংখিবনি।

– ঐসু থোইদোকপা অকুপ্পা মরোলদি খঙদে অদুবু ইনেদুনা হায়বদি মাগী মচা নুপাদুনা নুপীমচা লৈশাবী অমবু নমদুনা চেল্লুই হায়ব্রা, ফারুই হায়ব্রা, অদুদা নুপীমচাদুনা ইশানা য়াদে হায়বদগী মমা–মপানা ৰায়েল শঙদা ৰাকৎ–চে থাদুনা ৰাকৎপা জাৎনি। কুইনা চহী কয়া চঙনা ৰায়েৎ তৌনরগা অরোয়বদা ৰায়েন লোইশঙগী ৰায়েন মপুনা মচা নুপাদু ফাদোক পীরে। অদুবু অমরোমদা অমুক মখোয়না ৰায়েল অদু য়ানীংদবা লৈরগদি থা অহুমগী মনুংদা অৰাংবা ৰায়েল লোইশদা ৰাকৎ–চে পীশিল্লগা ৰায়েল তৌবীয়ু হায়বসু য়াই হায়না তাকপীরকই। অদুবু তা–পিশককী ইমুংদি নোংমগী থবক শূরগা চারা তানবা ইমুংনি, লায়রবা হায়বা ৰাহৈনা লৈতেং ওইনা হিংজবনি। কদায়দগী তরেৎ শেন্না অৰাংবা লোইশঙদা ৰাকৎলুগনি, অদুনা মচাদু কৈশুমশঙদা লৈবা তাই।

–অসুক লায়রবা মহাক্তি কৈদৌবগী মীগী মপোৎ হুরাল্লুরিবা? ঐনা শৎ হায়দোকখি।

– হোই চুম্মী, মহাক মরানগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংফম থোকই। অমরোমদা অমুক মাগীসু পেন্দবা, শাউনিংবা অমা লৈবদগীনি।

– করিনোনে, পেন্দবা হায়ববু?

– সুমদৌবনি, মপা–মপা হাক্তক্কী মচা হাক্তক্তা লমন শিংনৈ হায়বদুনি। তা–পিশককা, তা–থম্বৌগা লৈকাইনি, খা ৰাংনি। মখোয় অনীমক আ! ইম্ফালদগী লৌ মপুশিংদগী লৌশান তম্লগা লৌ উবা ঙাক্তনি। মহৌশাদগী হৌনা চৎনরকপসি লৌ মপুনা য়ানবা চৎপা হায়বসি হৌনৈ। লৌফম অদু মশামক্কীনি খন্দুনা লৌ পাল্লি। লৌ উরিবদুনা ফৌ খক্তদা নত্তনা লৌফমদুদগী ফংবা পোখোক, ঙা ওইরো করি ওইরো লৌপুদা থিনবা চৎনৈ। লৌপুনসু লৌ শাল্লিবশিংগা নুংশি চান্নবা লোয়নৈ নৎত্রবদি ফৌথোক হল্লি হায়দুনা চহীগী ফৌ কারকপদা নিঙাই তৌনদুনা ফৌ বোরা শুনা ফংদে। তা–পিশক অমদি তা–থম্বৌ মখোয় অনীমক লৌয়াম চাবা লৌপু অমগী লৌ উবনি। লৌপু পুল্লি অদুবু পরি–পরি খাইদোক্লদুনা উবনি। নোংমা নোংজু থাগী মতমদা, নোং কন্না চুদুনা ঙা য়াম্না ফাবা জাৎনি। ঙা ফানবা লূ থুম্বগী লৌরী ককপদা হেঞ্জিন্না ককই–কক্তে হায়দুনা খৎনবদগী থাঙগা–থাঙগা হাইনদুনা খূৎ য়াওনরকপদগী তা–পিশক শোকখি, অদুবু তা–থম্বৌদি মচা য়াম্মী মী কয়া উশিত্তে, লৌ শান্দুনা উজরবসু মচিঞ্জাক চায়। নুমিৎতু তা–পিশক মচা অপিশক অমদি ইনে তবোপপীগীদমক খল্লগা তুশোলনা মনিং হল্লি। নোংমা মচানুপা নোংয়াইনা পাখঙ পুঙ্কক ফারকপদা ৰারী ওইনা থৌদোক অদু ইনে তবোপপীনা মচা ৰারকপদা য়াওথোকখি, নোংয়াই থম্মোয় শোকখি লমন খুমগে খনখি মপাবু লাকচ খুদুম চনখিবগী। অমরোমদসু তা–থম্বৌগী ইমুংদসু অদুমঙাই, থৌদোক অদু কাউবা লৈতে মা–মাগী থম্মোয়নুংদা লোৎশিন্দুনা কিশি কিদুনা থল্লি, অচেংবা তাঞ্জা ঙায়নরি।

মতমগী মতুং ইন্না ঙসিদি মচাশিং চাউরে মপূং মরৈ ফারে। তা থম্বৌগী মচানুপী লৈরাংতোন মবুং তরেৎকী মনুংদা নাইতোম শাৎচবী লৈরাংনি। মমিংসু লৈরাংতোন কৌজে য়াম্না নুংশিনা মবুং অমদি মমা–মপানা। মশাগী চহী ২০ শুরে, ইনখৎলকপগী হৌনশা মশক ফজে হাইফেৎ–চঙখোন্না ফজরে, মীপুম খুদিংগী মীৎয়েংফম ওইদবা য়াওদ্রে।

তা পিশককী মচা নোংয়াইসু অদুমঙাই, লৈরাংতোনদগী চহী অনীমুক্তনি হল্লিবসি। মখোয় অনী লৈকাই অঙাংনি অদুম তিন্নে। স্কুল চৎমিন্নে, মরুপ–মপাং ওইনা, লৈকাইগী থবক থৌরম অদুম য়াওমিন্নে, থোইদোক্লা ৰাখল ফত্তবা খন্নদে। লৈরাংতোন, নোংয়াই হায়দুনা মিং অদুম কৌনৈ।

তোমান, নোংয়াইগী স্কুল পূন্না তম্মীন্নবা মরুপনি। মহাক্লা লৈরাংতোনবু য়াম্না নুংশিজে, লৈরাংতোন্নসু তোমানবু নুংশিজে পামজে। মহাক লাইরিক ফবা মহৈরোয়নি, ওজা মশক খঙনা চৎলি, লমচৎ–শাজৎ ফবা মহৈরোইনি, মশক মতৌ চঙখোল্লি। নোংয়াইগা তোমানগা ইতাও–ইতাও কৌনৈ। মখোয় অনীগী নুংশি মপাও নোংয়াইনা পুথোক পুশিন তৌই। মহৌশা লাইরেম্বীগী খূৎশেমনি ইনখৎলকপগী মতম হায়বসি অফ–ফত্ত খঙদে, মখোয়গী অনীংবা অপাম্বনা লমজিং ওইদুনা চেনবগী মতম থানৈ তোমানগা লৈরাংতোনগা। মখোয় অনী চেনবগী নুমিৎ অসি নোংয়াই খঙই। নুমিৎ অসিনি নোংয়াইনা খূৎ থেক্তুনা ঙাইরকপসু।

নুমিৎতু মীখূৎকা লাইখূৎকা চপ মান্নে হায়বদুনি। কোরৌহনবনা নোংচুপ চীংদোলদা হেক লোৎখিবগা লৈরাংতোন, তোমানগা হায়নখিবগী মতুং ইন্না য়ূমদগী চেনবা থোরকই। তোমাননা নোংয়াইখোয়দগী লৈরাংতোন পুদুনা চৎকদবনি নৎত্রগা নোংয়াইনা লৈরাংতোনবু খুলগী খুনদোল ফাউবা থিন্দোকপীগদবনি। অমরোমদা নুমিৎ অদু লৈরাংতোনগী লাইবক থিবা পূংফম ওইয়ু তমখ্রবোই, নোংয়াইনা মোবাইল ফোনদা পাউ পীরকই, নঙ পায়য়ু হায়দুনা তোমাননা তৌরকপা ফোন অদু লৈরাংতোন্দা পী। লৈরাংতোন মোবাইল ফোন পায়দুনা ৰারী শান্নে। লৈরাংতোন ৰাখল খরা নুংঙাইতে অদুবু কমদৌনি, হৌজিক নোংয়াইনা অৰাং খুনদোল ফাউবা থিনবীবা তারি। মরমদি তোমানগী গাড়ী য়াদ্রে ইতাওনা খরা মাগী নুংশিবী লৈরাংতোনবু পুবীরকউ সিনিদনা। মতমগী খোঙচৎনি, মল্লি মল্লি তৌরে। কমদৌনি মখোয় অনী অচীকপা শাংলবা লম্বীদুদা চৎপা হৌরে, মরুপনা মরুপকী মতেং পাংবনি লৈরাংতোন কৈসু খনদে।

মাঙদা চৎলিবী লৈরাংতোনগী নীংথিরবী শক্তমনা নোংয়াইগী থম্মোয়দা করি খল্লমগনি হায়বা খঙদে। অশোমদা ঙাইরিবা তোমানসু মতাও নোংয়াইগী পূক্লীং খঙদে। নোংয়াই নোংমা মমানা মমিৎতা মপি হেক তাবমখৈ লিখিবা তা–পিশক অমদি তা–থম্বৌগী ৰারীদু খংনীং নীংশিংলকই মহাক শাউরকই অসুম শাওবা হেনগৎলকই, পূক্লীং ফাথবা ঙম্লক্তে, লমন খুমগে খল্লকই, অদুদগী খঙহৌদনা পাম্বা কৈজাওগী মতৌগুম মমাঙদা চৎলিবী তুশোল্লবী লৈরাংতোনবু তুংলোমদগী শুপকোন– কোন্দুনা ফারগা লম্বীগী নাকন্দা হৌরিবা অশোঙবা মোংশোঙদা পুশিল্লি। মী চীকপা, অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা লৈরাংতোনবু লৈখোক্তগী হেক্লগা নোংয়াইগী নাপদা চিল্লুবনি। তুশোল্লবা মমা মপাগী লমন অদু চমজরবী লৈরাংতোনগী মথক্তা তাখিবনি।

খন্থহৌদবা মীৎকুপ্তা লমন খুম্লীংবগী ৰাখলনা ঙাওরবা নোংয়াই ঙসিদি ৰায়েন মকোক্লা কৈশুমশঙদা থমখ্রে। নুংশিরবা মতাও তোমান্না নোংয়াইবু পুন্সিগী ওইবা ৰারৌরমগদ্রা? লৈরাংতোনগী পুন্সি ঈচেলনা কমদৌবা? ৰারী লীরিবা কনাগুম্বা মহাক অদু ঐগী ৰাহংদা মাগী ৰারী লেপখ্রে। থক্লিবা চা গ্লাস অদু টেবলদা তপ্পা থম্লগা হৌগৎখ্রে।

ইনে চাউবীতোন ইঙক ঙক্লা মহাক্লা চৎখিবদু য়েংহৌরি... শোল্লি ওন্থোকপনিদা! করিবু কান্নরিবনো?

শৈরেং

মুৎখিগদৌরব্রা কংলৈগী ৰারী

– হুইরেম তোম্বীসনা দেবী (বোইলর)

মীতোপ মীরানচা কয়া
চঙলকই লেপ্তনা কংলৈপাক্তা
শৈদাংদুনা হিংলম্বদগী
ওল্লকই মপু।
মীপাইবা ফাওরকই কংলৈচাশিং
ওইরক্কদ্রা মপু মীতোপ্পা
কংলৈ য়েলহৌমীনা মীতোপ।
কুমজা য়াম্রে তক্লরকপা
মতম কুইরে লাওরকপা
“মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লু
ঐখোয় য়েলহৌমীশিং কল্লু।”
অদুবু মনাদা হাপ্তে লৈঙাক্লা
মীয়ামগী খোল্লও তাবিদে
মদুগী মহুত্তা–
সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬
অহোয়নদুম পাম্না তৌশিল্লকই।
পেন্দবগী তাশোননা থম্মোয়দা পাল্লবা
কংলৈচা কয়াগী মীকপ মীরাওখোননা
পুমনিন নিনখ্রে কংলৈবাক,
সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল
পাস তৌবা য়ারোই
য়েলহৌমী কল্লু কংলৈপাক কল্লু
মীফম, প্রোটেস্ট বন্দনা
থনখ্রে কংলৈপাক পুম্বা।
লৈঙাক্কী লুচিংবা মিনিস্টরশিং
প্রজাগী য়াথং পুদুনা
য়ৌখ্রে দিল্লি লৈঙাক্তা হায়জবা
বিল পাস তৌদনবা।
অকিবা ফাওরি কংলৈচাশিং
বিল পাস তৌখ্রবদি
মুৎখ্রগদরা কংলৈপাক
মাংখ্রগদরা কংলৈ য়েলহৌমীশিং?
মীকপ থোক্লসি কংলৈচাশা
পুল্লসি ঐখোয় অমতা ওইনা
কলহৌরসি কংলৈ ইরমদম
পাইহল্লমসি ৰাংনা কংলৈগী
পাইহল্লমসি মনিংতম্না
কংলৈগী হাংল–মালংদা
মচু তরেৎকী কংলৈ ফিরাললনা।

য়েলহৌমী কনসি

– ইরোম মোবি

য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা য়েলহৌমী
য়েলহৌমী কনসি
কনফম থোকই।

মীশিং য়ামদে, লম পীকই
অদুবু চৎনবী নাৎ শুনা লৈ
চহী লীশীং অনীগী পুৰারী লৈ
জগোয়না শান্নবনা মালেম শাৎনা ফাওই।

ইন্দিয়াগী মীশিং চাম্মগী মনুংদা
য়েলহৌমীনা মী অমা ওইবা ঙমদে
সংবিধাননা ঙাকপী–শেনবিফম থোকই
সি এ বিনা কোনশিনফম থোক্তে।

ষণ

– নিংথেমপিশক ৰাইরোকপা

চাদবনা মবুক শিংলবা
শাবন্দা পুল্লিবা ষণদুনা
থৌরীদু উরু–রু য়েৎশিন্না
মপি হেক তাবমখৈ খল্লি।

করিগীনো
অসুক কন্না শূ– নোম্লগা
ইবুক থন্না চাবা ফংদ্রিবা
লায়রবা লৌমীগা মরুপ ওইরিবা?
অদুগা তৈথোকপিরি
ইরিক অমা চোংবদা
লৈনম চেন্দ্রবী গন্নাগী লৈরাংদো।

ইঙকসিদা পুল্লিবা থৌরী
লেঙ নাহল্লিবা পোৎপুসিবু
করিগীনো
অসুক য়াম্না খোইদারিবা?
থৰায়না থৰায়বু ওৎপা হৌনবরা?
খল্লি,
চাদবনা মবুক শিংলবা
শাবন্দা পুল্লিবা ষণদুনা।
থৰায়গী নীংতম্বা পামদুনা
থদৎখি থৌরীদু থাজদনা।

ঐখোয়বু কনবীগদৌরিবসিবু কনানোনে!

– কে ইমো মৈতৈ

ৰাহংসিনা হংলি ঐঙোন্দা তত্তনা
কনা লাক্তুনা নখোয়বু কনবীরদৌরিবা?
ঙসিসু লাওরি মীতোপ চঙহল্লোই
মীতোপ্পা কনানো? য়েলহৌমীনা করম্বনো?
তাকপীনবা লৈতে অখঙবশিংসু লোৎখরে
অখঙবগুম্না লাউরি ঈরমদম কনগনি
অখঙবশিং ময়াম উবদা চেম্থোরক্লি
সি এ বি ২০১৬ লমদমসিদা শাফোঙরনবা
অমনা লাউরি অকায়বা লৈরোই
মীয়াম্নদি য়ানিংদবগী ধারনাশিং ফন্নি
কনাগীদমক্লো ৰারিবসে ঐখোয় প্রজানা?
সি এ বি ২০১৬ লাক্লিঙৈ মমাঙদা
লমদমসিদা মীতোপ কয়াগী ৰাথোকশিং
লৈহন্দনবা আই এল পি, এস টি খোঙজংশিং
কনানা মীরাইখি কনানা শৌগৎখি
নীংশিংবশিংনসু হায়ররোই অখঙবসু লোৎলনি
শক্তি পায়রিবশিংগী অৰাই–অখুমদা
লোৎশিনখিনি অচুম্বশিং খঙদবগুম লেপকনি
অচুম্বশিং মাংহনখিবা অরানবশিংগী হৈনবীনি।
ওইজবা লৌহৌনবা প্রজাবু নুংশিজবশিং
লোয়বা নাইদে থোরক্লি ঙসিসু
অশেংবনা কদোমদা অরানবনা কদায়দা
হংবিনবসু লৈতে থিবিনবসু মাংখ্রে
কদায়দনো নুংশিবিরিবা ভারত সরকারনা
অৰাং নোংপোক ভারত্তা য়েংইবা মীৎয়েংশিং
ভারত সরকারনা মণিপুরদা য়েংইবশিং
মণিপুরনসু ভারত সরকারবু থাজরিবসে
ঐখোয়বু কনবিগদৌরিবসে কনানো ৰাহংসিনি।

মীগী নক্লবা

– থৌনাওজম খম্বা

তৎন–থানবা য়াদে
ঙমদে থাদোক্লবা অপাৎপগা অপুম্বগা
হুরানবগা ওইদা লোনচৎকা
নত্ত লমচৎকা ওক্তবগা।
ওইদ ঙাংবগা অফবা শাবগা
শাশিন্নবগা মালহনবগা।
লৈশাবী শাবিগা, মচা লৈতবা শাবগা
অখৎপিগা, অপাইবগা।
হিংচাবীগা, কোৎচাবগা
মীগা, নক্লবদি শানি।।

তাবুনুংদগী

মণিপুরী মতম ঈশৈগী পুৰারীদা ময়াম পূন্না শকমিন্নবা গ্রামোফোন রেকোর্দ ওইনা ইহান হান্না পুথোকখিবা ঈশৈসি ‘‘কয়াম ৰাংলি লমদমদো... কয়াম ৰাংলি’’ হায়বসিনি। রেকোর্দ অসি মতম অমদা মেক্সুয়েল বাজার হায়না খঙনরম্বা থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈরম্বা ‘পি এম শিং এন্দ সন্স’ হায়বা কম্পেনি অমনা রেকোর্দ ওইনা পুথোকপনি। রেকোর্দ অদুগী শৈশকপা অমদি শৈশকপীশিংদি অরিবম শ্যাম শর্ম্মা, অহৈবম বুদ্ধচন্দ্র, অয়েকপম কমলা, শগোলশেম রিতানি। মতম অমদা মাইকতা য়াম্না পাম্না খোঙনরম্বা রেকোর্দ অসিগী ঈশৈ ময়েক ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

কয়াম ৰাংলি লমদমদো

কয়াম ৰাংলি লমদমদো
কয়াম ৰাংলি
ৰানরেদা ময়ামসে ৰানরেদা
হো য়ৌরনিদা লাপ্তরে, য়ৌরনিদা
মাঙদা চখৎলু মাঙদা চখৎলু।।

অৰা চীংশাং লাল্লক্লে
চীংগোই তুরেল লৈহৌরে,
মাঙগী লম্বী তেল্লক্লে
তুংগী লম্বী শাংহৌরে। মাঙদা চখৎলু...

ইম্ফাল সহর তামহৌরে
অন্দ্রো খুনপাক য়ৌরক্লে,
শজিক থাবা মুৎত্রিঙৈ
কোরৌ মশেক উদ্রিঙৈ,
শিব মন্দির য়ৌরনি
নীংজ’ আশা থুংলনি
মাঙদা চখৎলু।।

শৈরেংবা ঃ খুরাইজম ফুলেন্দ্র
শৈশকপশিং ঃ অমেচর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন, রূপরাগ
ডিস্ক রেকোর্দ ঃ অরিবম শ্যাম শর্ম্মা, অহৈবম বুধচন্দ্র, অয়েকপম কমলা, শগোলশেম রিতা

মণিপুরী পাম্থে –পাউরৌ, পাউতাক

* **কল্ল–কল্লগা শাংদোকপা খোংবান।**
  - কাউথোক্লবা হোৎনরবসু নীংশিংবনা হেনবা।

* **কল্লা মপাল সনা থাবা**
  - ফগদ্রা তৌবদা মীনা থাজবিদবা।
  - মমল য়াওদবা পোৎনা অতাঙবগী মহুৎ শিনবা।

* **কল্লক কঞ্জাও থোক্লা ঙাঙবা।**
  - মীহৌ চাওনা, নাপল য়াওনা ঙাঙবা ৰাঙাঙ।

* **কল্লক মাঙদা চাং তাবা।**
  - নুংশিনদবা মীগী মমাঙদা ইকায়বা চোপ্পা নংবা।

* **কল্লক মীহৌ চাউবনা লৌজনাম পুজনাম কল্লি।**
  - কল্লক চাউবা মীদি ওইজ–ওইথক পামগল্লি।

* **কল্লক তকশি শোলহৌবা।**
  - মখদাং চীক্তুনা লৈহৌবা।

* **কল্লক মীহৌ চাউবদি নুংদা ৰামৈগুম ওমচাক্লে।**
  - মীগী ফত্তনবা ঙাক্তা খল্লবদি থম্মোয় ফাওবা কাথেকই।

* **কলিদা শক ফজবা পাপনি।**
  - ফজবনা মরম ওইদুনা মীশৌ চঙবা।

* **কলিদা খুঁদে কংদে।**
  - য়াম্না থুনা চৈরাক ফংবা।

* **কলিগী অঙম্বদা কলি চঙবা**
  - হৌজিক কালগী অচৌবশিংসি অচুম্বা চৎপা লৈতরে।

* **কলিদা চায়াম পোকপা পাপনি।**
  - মতমসিদা অঙাং য়াম্লবদি মনীং থুংহনবা ঙমদে।

খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন

চানক্য নীতি

- পণ্ডিত ফাওবা অপঙবা শিষ্যদা পাউতাক পীরবদি, ফত্তবা নুপীগা লৈমিন্নরবদি অদুগা অৰাবশিংগা হকথেংনরবদি ৰারিবনি।
- মচৎ ফত্তবা নুপী (মতু), লৌনম্বা মরুপ, ৰাঙাং ফজদবা মীনাই অমসুং লিন চঙলবা য়ূমদা লৈরবদি শিবা শোয়দ্রবনি।
- খুদোংচাদবা মতমগীদমক লন তুংশিনগনি। লন তিংলগা লোয়নবীবু কনগনি। লোয়নবী অমসুং লনবুসু ইশাগীদমক্তদি থাদোক্কনি।
- খুদোংথীবগীদমক লন তুংশিল্লু। লল্লৈবদা খুদোংথীদব্রা? লক্ষ্মী (লন) গী মথোঙ য়াঙবনি, তুংশিল্লবা লন ফাওবা মাঙনাইবনি।

হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

মণিপুরী পাউখোং

১১. ফুম লীচৈ–
১২. মাংদবা থী–
১৩. মাংদবা লুখাক–
১৪. মাংদবা অওবা–
১৫. মমিনা ৰা ঙাংবা
১৬. নাকল চাবোক–
১৭. নোংদোল উপু –
১৮. লৰাই চাবোক–

পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমায় অসিদা ফোঙদোকচগনি।

মমাঙ নোংমাইজিংগী (০৭–০২–২০১৯) পাউখোঙ ফোঙবা

১. খৈরোই অপাইবী
২. থাংজীং মনা
৩. শম্থি মপাক অকংবা
৪. লফু কাবা
৫. পৌয়া পুনবা
৬. খোঙ হামদোকপা (থী ফাইবা)
৭. কপত্রেং
৮. লৰাই তাংবা
৯. চৎপা
১০. ফৌ চক্রী তকপা

কান্ন–ৰানি খঙজীনবিয়ু

* **মিথাইলেটেদ স্পিরিট কী কান্নবা খঙজীনবিয়ু।**

মিথাইলেটেদ স্পিরিট হায়বসি কৈথেলগী হার্ডৱায়র দুকানশিংদা লায়না অমসুং মমল হোংঙনা ফংলিবা পোৎশক্লি। মসি য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা য়ামদ্রবদা লীক্লি মচা অমমমতা ওইরবসু থম্নবিবদা কান্নবা মতাং অমা নৎত্রগা অমা হেক্তা লাক্কনি। হকচাংদা অশোক–অপন নংদুনা ঈ থোকপা মতমদা খুদক্কী ওইনা মহীক–মতায় চঙহন্দনবা পাম্বৈ ওইনসু তৈথোক চামথোকপদা শীজিন্নবা য়াই। ফি– রোলদা চুহন্নীংদনা চুশিনখিবা মচু মখল অয়াম্বদি (বল পেনগী মুকচিংবা য়াওনা) মিথাইলেটেদ স্পিরিট খজিক্তংনা হেক্তা কোকহনবা ঙম্মী।

* **মুগা (সিল্ক) কী ফি–রোল শূবিগে হায়রবদি?**

মুগা (সিল্ক) কী ফি–রোল শূবদা নুং–হৰাই ফূৎপগী মহী শীজিন্নবিয়ু, ফি মচুসু ফিহনগুম থোক্কনি, মপোপসু কায়রোই।

* **মৈখু–মৈশূৎ মনম নমহনবিরোই হায়রবদি?**

হৌজিক্কী মতমদদি য়ুমগী চাক–ঈশিং থোং–থাকপগী থবক অসি গ্যাস ষ্টোব নৎত্রগা অতৈ ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা থোং–থাক্লরবনিনা ইমুং মনুংদা মৈখূ নৎত্রগা মৈশূৎ (চাক্লম্বা শীং নৎত্রগা মৈতান মুখৎখিবগী মনম) মনম নম্বা হায়বসি থোক্লদ্রবনি। অদুবু করিগুম্বদা শীং নৎত্রগা মৈতান থাগৎতুনা থোং–থাকপা তৌবদা য়াম্না হৈনদবা মওংদা মৈখূ অমসুং মৈশূৎ মনম নম্লকপদি হৌনশানি। মদু নমহনবিরোই হায়রবদি লিক্লি নৎত্রগা প্লাষ্টিক্কী তেঙ্গোৎ অমদা ঈশিং মচুগী ভিনেগর হৈদোকপীরগা মনম নল্লিবা মফম অদুদা থম্বীয়ু।

(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ‘‘কান্ন ৰানি খঙজিনবিয়ু’’ দগী লৌথোকচবা)